ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯶ ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯲ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ওগষ্ট ০৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৩২শুবা মশীং

## ঙারা ঈশিংলা

### হৌজিক ফাওবদা নাখৈ শেংদোক্লদ্রিবা করিগীনো?

নেসনল সোসিএলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন) হায়রম্বদগী হৌজিক্লা নেসনল সোসিএলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম হায়রক্লিবসিগী মনুংদা লোয়নরিবা ৱাহন্থোকসি করিনো? লালহৌলূপ অসি হান্না নাগালেন্দগী ফিবান মনুংদা খক্তগী ওইরম্বদগী নাগা মীয়াম পূন্নমক্কী ওইরক্লে, পূন্নমক শুপকোন কোনশিল্লক্লে হায়বা নৎত্রা? ওইনীংবা ওইজসনু। পীকশিনগেরা, পাকথোক্কেরা লালহৌলূপ অসিগী ওইজবা পোলিসি, প্রোগ্রাম অমসুং ষ্ট্রেটেজি অমসুং মখোয়গী ষ্ট্রগলগী ৱাফমনি। নাগা মীয়ামগী সেল্ফ দিটরমিনেসন, মনীংতম্বা নাগা নেসন অমগী মঙলান্দা শাগৎলকপা থিওরিনি। য়েলহৌঙৈদগী নাগাশিং তোপ-তোপ্না লৈজরকই, হিংজরকই হায়বনি। হৌজিকসু মদুগী পরিংদুগী পুন্সি মরেলদা লৈজগে হায়বনি। ৱাফমসি য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদুনা হৌজিক্লা নাগালেন্দগী মপু ওইরিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লেপচগদবনি। নৎত্রগনা মনীংতম্বা নাগা নেসন অমগীদমক হোৎনরক্লিবা কাঙলূপসিগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা য়াশিন্নজগদবনি। য়াশিন্নদ্রগনা মসিগী হৌনবী অদুম্মক লাকচগদবনি। নাগালেন্দগী থৌদোকসিগুম্বশিং নোর্থ ইষ্টকী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদসু থোকই। অসামদসু য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (অহোম) হায়বা য়াওনা বোড়োশিংগীসু লৈরি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা গুর্খাশিংগী লৈ। হৌজিক্লা ৱারোইশিন পুরকখ্রবনি হায়রগসু মিজোরামদসু মিজো নেসনল ফ্রন্ট লৈরম্মী। থৌদোকশিংসি ত্রিপুরাদসু থোকই। মাওইষ্টনি হায়জবশিংগী থৌদোকশিংসু লৈবাকসিগী ষ্টেট খরদসু থোক্লি। থোরক্লিবা, লৈরক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি থোকহল্লক্তুনা লৈহল্লকপগী মরমশিং লৈবদগী থোরকপা ঙাক্তনি। অনীংবা অপাম্বা পান্দম, দিমান্দ খরগা লোয়ননা চংশিন্নরকপা ঙাক্তনি। তাল্লক্লিবা দিমান্দশিংসি লৈবাকসিগী মপু ওইরিবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হরাওনা য়ানীংনা শেম্পাক্তা অথেনপোৎ ওইনা মরম চাই, পীফম থোকই হায়দুনা পীরক্লগা পীরক্লে, মরম চাদে, লৈবাকসিদা চৎনরিবা মীয়ামগী চৎন-কাঙলোনবু শীংনরকপা, থুগাইনবা হোৎনরকপনি হায়রগনা নমথদুনা লাকশিন্নবা হোৎনরকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। নৎত্রগনা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা অমা পুরকপদা য়ানরগনা মসিগীদমক চংশিন্নরকপা তাবনি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসিদদি হায়রিবা পান্থে অহুমসি নত্তবা লৈতে। মশা মথন্তা নীংহন্নরক্তুনা তোকথোক্তুনা তূমিন্না লৈখ্রগনা লৈখ্রে।

মসিনসু পান্থে ময়ামসিগী মনুংদগী অমা লৌখৎলগা হৌজিক এন এস সী এন আই এমগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগগী মরক্তা নাগা প্রোব্লেমসিগী পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরক্লবগীদমকনি হায়দুনা নাকল অনীনা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্টকী অয়াবা থম্নদুনা থেঙ্খাং নাইনা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক পিছ টোক চথনরক্লিবনি। অদুগা মসিগী পোলোইগীদমক 'ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট' অমা ফাওবা ওগষ্ট ৩, ২০১৫দা ন্যু দেল্লীদা নাকল অনীগী মীহুৎশিংনা খূৎয়েক পীনখ্রিবনি। তৌনসনু, প্রোব্লেম অমা থোরক্লগদি সোল্যুসন অমা লৈরকপা মশানা তাবনি। অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল দাইলোগ চথরকপদা মমাংথক্তসু তৌনরক্লিবা 'সিজ-ফয়ার এগ্রীমেন্ট'তা 'ৱিদাউথ টেরিটোরিএল লিমিট' হায়ব'মা হাপচিল্লুবদগী মণিপুরদা লৈবাক ৱাথোক ওইখি। জুন ১৮, ২০০১গী অচৌবা ঈরাং থোকখি। মীওই কয়াগী পুন্সি খাঙুথক্তা পিখম্নখি। মসিগী থৌদোকসিগী পারাসি ফাহৌরগদি ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিদসু মণিপুরগী মীয়াম্না মখোয়গী থৱায়শিং ফাওবা পাম্মুরক্লোইদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্কদ্রা হায়বা ৱাফমশিং য়াওব্রা নৎত্রগা য়াওদব্রা হায়বসিনি। মসিগী মতাংদদি নহান্না ঙানি-ঈশিংনি হায়বগী মতাংদা লৈখাই তাথোক্লম্বা য়ারে হায়বনি। য়াওরমদ্রগদি করিসু কায়দ্রে। এন এস সী এন - আই এমগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা নাখৈ শেংদোক্লখিবদা নাগালেন্দগা য়ূমথংনরিবা মণিপুরনসু শৌগৎপীগদবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা অসুক কুইরবসি নীংদোল পোমদুনা লৈফম থোক্তে হায়বনি। শ্বাইসিদা পাঙ্গল শোন্থহন্নিংদে হায়বগী ৱানি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩

১) কুমজা ১৯৬৫ইংদা ফোঙখিবা *'লৌনম'* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) *''বীরবাহু তুবা''* হায়বা লাইরিক অসি মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৩) *''নোংচুপ নোংপোক্কী মীনা সনামহী পাখংবা লাই অয়াম্বদা চঙফদে। মাইবা লোয়শঙ অহুম্মাদা খনফদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী শঙ্গাই চঙফদে।''* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৪) বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা চেফোংদু করিনো অমসুং করম্বা মতমদগী ফোঙবা হৌখিবগে?

৫) *''ভাগবত ধর্ম্ম অমসুং দ্রমর গীত''* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কর্ফিয়ুগী অচিকপা অয়ূকসিদা মাইক্কী ফিল্ম ঈশৈসিনা...

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

অদুঙৈ হায়বা তারমাল্লে, ঙসিদগী চহী ৪০/৫০ মুক্কী মমাঙ অদুৱাই ফাওবদা, খরা-খরা মমি-শামি ওইনা চৎনরম্বা, মণিপুরগী খরা লীরবা মতমদুগী কাউঙমদ্রবা চৎনবীশিং খরা, হৌজিক্তা তান চান্নরুবদগী হায়গদ্রা, মরক-মরক্তা অমুক-অমুক, করি-করিগুম্বা মতমদা থৌদোক অমা নৎত্রগা অমদগী হেক-হেক নীংশিংলকপা থেংনরি। ঐখোয়সু মতমদুগী চৎনবীশিংদু লোয়নমক মমুৎ তানা অমদি মপূং ফানা য়াওবা নংহৌবমক্তি নত্তে। অদুবু, য়াওবা নংহৌবা খরা অমদি নংহৌদ্রগসু মতম-মতমদুগী ওইনা থেংনহৌবা, উহৌবা খরদু, চানবা তাঞ্জাশিংনা লাকপদা, করিগুম্বা থৌদৌ অমা নৎত্রগা অমদগী হেক্তা নীংশিংহল্লকপগী থবকসি অদুম্মক থোকই হায়বা ৱাফমসিনি থম্নিংলিবসি। অদুম ওইনমক, থৌদৌসি ইচম-চম্না হেক্তমক, ঙাইহাক লৈতনা তোয়না থোকপা থৌদৌদি নত্তে। য়াম্না তাঙনা, মপা চানরুবখক্তদগী, খংনীং-হেক নীংশিংহল্লকপগুম্বা অমসুং মদুনা থম্মোয়সিদা খঙহৌদনা খাঙঙমদবা নুংশিবা অমা ফাওহল্লকপগুম্বা, মদুখক্তগী ৱানি। তশেংনা হায়রবদা, হায়রিবা মতমদুগী চৎনবীশিংসি হৌজিক্তি অশেংবমক্কী ওইনা লোইনমক কাউথোক্লখ্রবা ঙাক্তনি। অদুবু, করি-করিগুম্বা তাঞ্জাশিংদা, থম্মোয়দা চুদুনা লৈহৌবা খরা, ইশানা য়াওজরুবা অমদি থেংনজরুবা খরগা পুনশিন্নরগা মতাঙ চানরুবশিংদা হেক-হেক নীংশিংহল্লকপগী ৱানি। মসিদি মহৌশানি অমসুং তাইবঙ মীওইবা হায়বা কাঙলূপসিগী চৎনবীনি। থায়নগী হৌখ্রবা মতমগী অরীবা চৎনবীশিংসি শুপ্নগী থৌদৌ অমখক্তনা হেক-হেক অয়াম্বসি, নীংশিংহল্লকপদৌনা তৌই। থৌদৌদু অতৈ করিসু নত্তে।

হন্দক শাথীরবা কোভিদ-১৯ মহীক্লা শন্দোকপা, লাকঙম-ফাঙমদ্রবা কোরোনা লাইচৎসিগীদমক লৈঙাক্লা মচা-মশু অমদি মচেৎ-মকায়না য়াররোই হায়দুনা, মপূং ফাবা, অশুবা কর্ফিয়ু (টোটেল কর্ফিয়ু) হায়বা অমা লাউথোকখিবদুগী অঙনবা, অচিকপা অয়ূক্তুদা লাপ্তুক্লা নুংশিরবা অতপ্পা ফিল্ম ঈশৈগী শুর অমা মাইকতা তাবা ফংলকখি। ৱাহ...! অচিকপা অয়ূক্তুদা, খরা থাপ্লপ্পা মফম অমদগী, মাইকতা শল্লকপা ফিল্ম ঈশৈগী শুরদু তারুবদা, খঙহৌদনা থম্মোয়সি মচেৎ কয়ামুক থোক্লা, মশীং খঙদবা মখৈ কায়খি। খুদক্তুমক্তদা নীংশিংলকখি, অদুঙৈ মতম অমগী মণিপুরগী মাইক পান্দুনা ঈশৈ খোংনরিঙৈ মতমদুগী অকনবা চৎনবীদুনা পুন্দুনা শেমখিবা কাউঙমদ্রবা কলচর কয়ামুক্তু মথং-মথং ওইনা। তেল্লবা ৱারেংগী কাখল মতেকসিদা, মতমদুদা ইরমদম মণিপুরসিদা চৎনরম্বা কলচর কয়ামরুমদুগী পাউদমশিংদু মতৌ করম্না চন্নবা তম্লুগনি? মতমদুদা চৎনরম্মী - খুঙ্গং নৎত্রগা লৈকায়-লৈকায়শিংগী লৈশাবী পাখঙশিংগী চাক চানবা, চাক চানবা হেক লোইবগা খুন্থক-খুনখা নৎত্রগা মখা লৈকায়-অৱাং লৈকায় নৎত্রগনা মমাঙ লৈকায়-মনীং লৈকায়, লৈশাবী-পাখঙশিংগী কাঙ শান্নবা। কাঙ শান্নবদু লোইরগা নুমিদাংদনা হেক-হেক মপান ফবা পাখঙ খরনা পাঙবা শুম্মাঙ কুম্মৈ (মতমদুগীনা যাত্রাৱালী) অমা তৌবা। হায়রিবা নুমিৎসিগী অঙনবা অয়ূক্তগী হৌদুনা মাইক ৱাইরুদুনা ৱাতোন নৎত্রগা উতোন্দা থেৎকৎতুনা ফজ-ফজবা মতমদুগী ফিল্ম ঈশৈশিং কয়ামরুম, মথং-মথং খোঙগদৌরিবনি। চাক চারমদাইগী লৈশাবী-পাখঙশিং অৱাৎপা মখৈ মাইকতা হঞ্জিন-হঞ্জিন কৌনদৌরিবনি। মতমদুদদি শুমাং কুম্মৈ শান্নগদবা কাঙবুশিংনা মাইক পুরকপগী থৌদৌসি চৎনরমদে। মসিমা মতমদুগী কাউঙমদ্রবা মথেল অমনি। শম্না হায়রবদা মতমদুদদি মৈতৈগী লুহোংবগী থৌরমসিসু নুপী ময়ূম অমদি নুপা ময়ূম অনীমক্তা মাইক লোইনা য়াওনরম্মী। নুপী ময়ূমগী মাইকতি নুপা ময়ূম্না থারক্কদবনি। লুহোংফম অমত্তদা মাইক য়াওদনা লুহোংনরমদে। কৈদৌবদগী মাইক য়াওনরম্বগী থৌদৌসি তোক্লখ্রিবনো হায়বসিমদি ময়েক শেংনা খঙদে। মতমদুগী মাইকশিংদু হৌজিক্কালগী ঈশৈ শকপা-শকপীশিংসিনা পুরক্লিবা সিগুম্বসি নত্তে, সিদি ঙরাং-ঙসিখক্তবু চৎনরকপনি। মতমদুদা হয়েং লুহোংগদৌবা ওইরবদি ঙসি নুমিদাংদগী হৌনা মাইক খোংবা চৎনরম্মী। বর ওইগদৌরিবা নুপা ময়ূমদুনা অহৌবা মাইক থারকপরা অমদি মতমদুগী অফাওবা ফিল্ম ঈশৈশিংগী রেকোর্দশিং শুনা য়াওরকপরা হায়বসিসু থিগৎনরিবনি। মদুদা খক্তসু বর ওইগদৌরিবা নুপাদুগী মতিং অমা য়েংনরিবনি। মতমদুদা লৈকায়-লৈকায়দুগী পাখঙ মচাশিং ময়াম্না লেম্না লাক্লরগা ফজ-ফজবা ফিল্ম ঈশৈশিং খল্লগা মাইক-ওপরেটরদুদা পীদুনা খোঙহনগদৌরিবনি। মসিসু অকনবা চৎনবী অমা ওইরম্লিবনি। মসিদগী খজিক্তং লিশিনবা মতমগী ৱাফম অমা হায়রগনা, লৈশাবী-পাখঙশিং নুমিদাংদা য়ূম অমদা পুল্লপ লিক্কোন শান্নমিন্নবগী কুম্মৈ মখলসিনি। কুম্মৈ মখলসিমদি হায়ফেৎ মতম ফনরিঙৈগী ৱারীনি, হৌজিক্তগা হায়রুরদি, পল্লুদবনবু ফরদৌজাৎনি। মসিসু অয়ূক চাক চানরগা নুমিদাং লীক্কোন শান্নবসু য়াওনরম্মী। মসিদসু মাইক অদুম পান্নরম্মী হায়। ইজরিবা ইশামক্লদি লীক্কোন শান্নবদা মাইক পানবমক্তি থেংনজরকত্রে। মতমদুদা য়াওশঙগী থাবল চোংবদসু অয়ূক চাক হেক তোকপদগী হৌনা থাবল চোংফম লম্পাক্তুদা মাইক পান্দুনা খোঙ্গৎনবা চৎনরম্মী। অঙাং পোকপগী মঙানি লাইশোন থৌরমগীসু, মনা হুৎপা থৌরমগীসু মাইক য়াওদবা শুকতৌ-তৌনরমদে। লৌখৎপা/লাই-তীল থাবনচিংবা থৌরমশিংদসু মাইক হায়বসি অদুম্মক য়াওনরম্মী। শম্না হায়রবদা, মতমদুদদি শুপ্নগী অশি-অনাগী থৌরমশিং খক নত্তনা, অতৈদি মাইক য়াওদবা থৌরম অমত্তবু লৈরমদে হায়বা ফাওবা য়াই।

ইহে, মাইককী ৱারী লীবা হৌখিবদগী মাইক য়াওদবা য়াদবা য়ামখ্রবা থবক-থৌরম ময়াম অমদি থৌদোক-ৱাথোকশিং খুদিংমকসিবু নীংশিংহল্লক্লিবা টোটেল কর্ফিয়ু মনুংগী অয়ূক্তা, তাম্না ময়েক শেংনা খোঙলকপা মাইককী খোঞ্জেলদুগী মরমদুদি অমত্তবু হায়হৌদ্রে। মাইকতু অতৈ কনাগীসু ওইরমদ্রে, হৌজিক্কালগী লৈকায়-লৈকায়দা পোলিথিন বোরাশিংদা থন্বা ৱেষ্ট-প্রদক্টশিং খোন্বা হেক-হেক লাকপা, ফোর জিরো সভেন ত্রক মচাদুদা থেৎপা মাইক মচাদুদগী খোংলকপা ঈশৈগী শুরদুনা ওইরল্লে, মতম অমগী অথেংবা অহিংদা, লাপ্পা তান্নবা খুঙ্গংদগী খোংলকপা মাইককী মিরবা ফিল্ম ঈশৈশিংগী নুংশিরবা খোঞ্জেলদু নীংশিংহল্লকখিবদু। খোঞ্জেলদু তাবদা পূক্লিংদা ফাওখিবা নুংশিবা অমদি খোয়রাংখিবশিংদু হৌজিক্তা করিনা প্রমান তৌনি? মতম অমগী অথেংবা অহিংদা নৎত্রগা নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা, নোংফাদোক ফরক তাদুনা মীকপ থোল্লকপদা অমদি মপান্দা কাশিং থোক্লুবদা, থাপ্না তাম্না মাইক খোংলম্বগী খোঞ্জেলশিং তারকপদা, ইশাদা ফাওরকখিবা পূক্লিং নুংশিবা অমদি নুংওনবা মতৌশিংদু, করিদা হায়রুনি? অদুগুম্বশিংদো হৌজিক্তি পাক-না থোকখিদ্রে। অথেংবদা মাইক খোংবগী থৌদৌসিসু হৌজিক্তা হায়রুরদি, অঙাওবা মীরা হায়নবু শোয়দনা হংনরনি, তৌনখিদ্রবনিনা। অদুবু, হায়রিসিনি, অথেংবা অহিং নৎত্রগা নোংঙাল্লমদাইগুম্বা, মী চিক্লবা মতমদা অথাপ্পা মফমদগী অহিং নৎত্রগা নোংঙাল্লমদাইগুম্বা, মী চিক্লবা মতমদা অথাপ্পা মফমদগী মাইক থোংলকপগী খোঞ্জেল তাবদা পূক্লিং নুংশিখিবগী মতৌসিদি, হৌজিক্কালগী থেংনদ্রিবা নহাশিংনদি খঙদ্রে, থৌদৌসি থেংনরক্লবা খরা চহী লৈশিল্লবশিংনদি ৱাফমসি তাবদা শোয়দনমক্কী মশা-মশাদা ফাওরক্লমগনি খল্লি। মতম মাগী খোঙচৎসি কয়াদা ঙকখ্রবনো, কয়াদসু কনখ্রবা, শুপ্নগী তেল্লবা মতম খরখকসিগী মনুংদা কয়াদা শাথীনা হোংলকখ্রিবা?

ইথা-থাজদনা, চাকখুমগী অরেম-অপাশিং খোন্বা লাকপা গাড়ীসিমা, পাক হেক কাউররোই। মাগী মাইক্কী ঈশৈগী খোঞ্জেলসি তাবদা, ইরমদম মণিপুরসিগী, মতম অমগী নুংশিরবা পুৱারী মশাং অমগী ৱারীদি শোয়দনা নীংশিংনহৌরনি। মখোয় লাক্লে খঙনবা, কোন্থোং-কোন্থোংদা মখোয়দা শীন্নগদবা ৱেষ্ট প্রদক্টকী বোরাখাওশিংদু পুথোক্তুনা ঙাইরম্নবা পাউজেল পীরিবা মাইক মচাসি, য়ারিবমখৈ খক শীন্দোকহন্নীংদে অমসুং মাগী ঈশৈসি অসুক্কী মতিক ৱাহন্থোক লৈ। ●

# ফজবা থৌগল্লোন, লমচৎ-শাজৎ; ঐখোয়গী ওইরমদ্রে লাইরিক ৱারী ওইরে...!

**- মনিস্মা মঙাং -**

অঙাং ওইনা পিক্লিঙৈদা থেংনজহৌই ওজা-গুরুদা চৎকদবা, অহল-লমনদা ঙাঙগদবা ৱাঙাঙ-শঙাঙ, থৌগল্লোন-বেব্যহার, চৎন-লোনচৎ য়ূমগী অহলশিংনা কূপ্না তাকপীরম্বা। জগোয়-ঈশৈ তৌবা ওজা অমগী মতুং মহৈরোয় কয়া ওজাগী থৌগল তৌদুনা ওজাগী ময়ূমদা নৎত্রগা মহৈরোয় অদুগী ময়ূমদা য়াম্না নুংশিনবা মরী অমদা লৈনরম্মী। পুঙ য়ৈবা ওজা অমগী অয়ূক য়াহৌরকপদগী তূম্লমদাই মতমফাও মহৈ-মশীন তম্বদা নত্তনা ওজা অদুগা অচেৎপা নুংশিবগী মরী কায়দনবা হোৎনজৈ। ওজাদুনা মীয়ামগী থৌগল চৎলমদাই মতমদা ওজা অদুনা শেৎন-চানবা পূন্নমক মহৈরোয় অদুনা কোয়চেন চেন্দুনা ওজাগী ফজনবা, পেঞ্জনবা হোৎনজৈ। ওজা অমসুং মহৈরোয় অনীমক্তা নোংমতা উবা ফংদে 'মপু মনাই' গী ওইবা ৱাখল্লোন। মখোয়দা ময়েক শেংনা উরিবদি 'মপা মচা' নৎত্রগা 'মমা মচা' ওইবগী অচেৎপা নুংশিবগী মরীদুনি। ওজাদুগী থৌগল তৌহল্লি, থবক তৌহল্লি হায়বগী খোইখা লিনখা থাবা থেংনদে, ৱাখল্লোন্দসু পোকখিদে। মহৈলোয়শঙ অমদা চৎকদবা অশেংবা থৌগল্লোন, চৎন-লোনচৎ, চাকচা-য়ুথক, অৱাংবা থাক্কী পোলিটিক্স, মোরেল ভেল্যুনচিংবা কয়া তমজনীংঙাই লৈ।

য়াম্না অতেনবা মতম অসিদা ইরমদমগী ঈনাৎ, চৎন-কাঙলোন মায়কৈ কয়াদা মঙদফাও মঙলুদবা মওংদা হোংলে। ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসনগী অচৌবা শাফুনা হান্না লৈজরম্বা ইনফোর্মেল এদ্যুকেসন কয়াদি মরূ ফংনা মুথুৎতুনা লৈরোন চনশিনখ্রে, খরা অমনা থিবা খঙদনা ককঙাওনদুনা লৈরি। পূন্নমকসি ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসন্দা মরাল শীবা নত্তে, মখোয়না খুন্নাই অসিদা পুরকপা অওনবদু নৈনবনি। অৱাংবা থাক্কী পুন্সি মহিংনি খন্দুনা ইরমদমগা চানদবা, চানৌসু য়ারোইদবা চৎন-লোনচৎ কয়া মীতৌ তমদুনা ইশাগী চৎন-লোনচৎ কয়া চাওখৎতবা, অরিবা চৎনবা য়ারোইদবা চৎনবীনি হায়দুনা মখৌ পোংনা মশাগী মখোঙদা শীংজংনা য়ানশিঞ্জরি। মখোয়দা মদুগী চৈনা লৈতে, মশানা মশাবু অৱাংবা থাক্কী মীওই কাঙলূপনি হায়দুনা চাওথোকচরি। মসিগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা ঐখোয়গী লৈজরিবা আর্ট ফোর্মশিং অসিবু ইন্সটিট্যুসনেল সেন্টর ওইনা ওন্থোকপদা হৌরক্লিবা মহৈরোয় কয়া অসিনা ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসন সিষ্টমগী 'Bossism' ৱাখল্লোন্দুগা চুশিন্নবা য়ারক্তবদগী ওইরকপা অনৌবা চৎন-লোনচৎ ওইগনি হায়না খল্লি।

অরিবা ঙল্লিঙৈ মতমদা চৎনরম্বা মহৈলোয়শঙশিং; পাখঙফাল - লৈশাফাল, লাল্লুপ সিষ্টম, য়োইরেল লোইশঙ, তক্ষশিলা গুরুকুল, নলান্দা য়ুনিভর্সিটিনচিংবা কয়াদসু ওজাগী থাক য়াম্না ৱাংনা লৈরম্বা থেংনরি। য়াম্না ফিদম্নীংঙাই ওইবা ওজা অমা হায়বসি কদাইবু কৌবগে হায়রগদি মখোয়গী পুন্সি মহিং, চৎন-কাঙলোন, থকসি-খাসি, লমচৎ শাজৎ কূপ্না নৈনবদা পাল্লিবা মগুন অদু থোইদোক হেন্দোক্লা ফংগনি থাজে। খুদম অমত্তং লৌখৎলবদা ঈশৈ তৌবা ওজা অমনা মখোয়গী ফিরোল, খূৎশু-খূৎলায়শিং খোঙনা-খূৎনা শোকফদে, অমাং-অশোই তৌরগা শোকহৈদে, পারা ঔরাইবা ফত্তে হায়দুনা থন্বীরম্মী। মসিদা অমাং-অশোই হায়বগী পুরিবা ৱাখল্লোনদি ৱাখল লৈতাদনা, খলহৈদবা - খল্লোইদবা ৱাখল খন্দুনা মহৈ তম্বা য়ারোই, কান্নরোই হায়বদুনি। পূক্লিং ঈংনা, ৱাখল লৈতানা, তমনীংনা তম্বদুনা হেন্না মহয় ওইগনি, কান্নগনি হায়বগী পারা অদুবুনি ওজাশিংনা থন্বীরল্লিবা। শোন্নপুঙ ময়ায়দা কোয়না ফল্লিবা লৈকায় অমদি খুল অদুগী অহল-লমননা মাঙদা ফমহন্দুনা থৌরম পরিং অদুদা য়াওবা লাক্লিবা মীওই কয়ানা থৌরম পাঙথোক্লিবা মফম অদুদা চৎকদবা থকসি-খাসি, উৎকদবা থৌগল্লোন, চৎন-লোনচৎ ঙসিগী মীরোলনা কূপ্না নৈনদবা য়ারোই। মদুদা পীরিবা ভেল্যুস, ফিলোজোফি, ইথিক্স তরাইনা লৌবা তারগদি মদু লাইরিক তম্লগা লাইশু খঙদবনি হায়বদা শাওনীংঙাই মরম লৈতে। ফনা চাউবা মীওই ওইসনু, শেল ফনা পায়বা, লৈবাক্লা শকখঙবা মীওই ওইরবসু শোন্নপুঙ ময়ায়দদি চপ মান্নে, মফম অদুগী চৎন-লোনচৎ ঙাক্তবা য়াদে, থৌগল্লোন-বেব্যহার কায়নদে। মসিমক ঙসিগী লাইরিক তম্ফম মহৈলোয়শঙশিংদা চেকশিন্না চৎনরবদি হৌরক্লিবা মীরোল কয়াগী 'হ্যুমেন ভেল্যু' ফংগদ্রা নীংজৈ। তোঙান-তোঙানবা লাইনীং লাইশোনগী লাইরিকশিংদা পীরিবা ৱাখল শেপ্তুবা, অচুম্বা চৎপা, পূক্লিং ফাথনবা তোঙান-তোঙানবা পান্থে শীজিন্নদুনা হোৎনরিবদু চৎনবী অসিনা মায় পাক্লা চৎনহনবা ঙম্লগদি মীরোল কয়াগী মতুংদসু ঈং-তপ্পা, মরা চেৎনা লৈবা ঙম্নবা লম্বী অমখক পীগনি। মসিমক্লা পূন্নমক হোংলগনি হায়বদি লৈতে, হোংবসু ঙম্লোই। লাইনীংদা হকচিন্না চৎলিবা মীওইশিং ফাওবদা ৱাখল ফাজিনবা ঙমদবগী ৱাথোক লান্থোক থোকখিবা ঐখোয়না মীগা লাইগা শম্নরিঙৈ মতমদগী তাদুনা লাক্লি। অদুমকপু মসিনা মতম খরা চঙলবসু, খোঙজেল তপ্লবসু য়াম্নমক কান্নবা ওইগনি।

ঙসি - ঙসিমক্কী চৎন-কাঙলোন, মহৈ তল্লিবা মওং অসিদা নৈনদুনা য়েংবা তারগদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা, নৈনখ্রিবা ময়ামসি অনৌবা, অমুক্তা তাদ্রিবা ৱারী অমগুম য়া কাদুনা তারগনি মরমদি মখোয়দদি পুরা তাইওন্নরে। মোদর্ন এদ্যুকেসন সিষ্টমদা অঙাং ফূবা চৈবা য়াদে, নমদুনা মহৈ তাকপা য়াদে অমদি তোঙান তোঙানবা চৎন কাঙলোন কয়া মহৈরোয়শিংগী য়েংদুনা শেল্লি। পূন্নমকসি লৈরি হায়দুনা অঙাংশিংনা মখোয়গী ওইবা ৱাহন্থোক্তা হন্দুনা অনৌবা চৎনবী অমা হৌদোকখ্রে। মহৈরোয়শিংদি নিংথৌনি, ওজানা ফূবা চৈবা য়াদে, মখোয়বু লোনা ঙাক্তুনা থল্লবনি হায়বগী অরানবা ৱাখল্লোন পুদুনা ওজাদগী মখোয়না হেন্না চাউরে হায়না লৈখ্রে, ওজা-মহৈরোয় অমত্তনি লৌখ্রে, থৌগল্লোন-বেব্যহার কাং-খোং চাইরে। ওজা ফূরকপগী পাউ, ওজাগা মহৈরোয়গা চারৌ-মৌরৌনবগী চৎনবী মমাঙথক্তা অমুক্তা তৌদবা কয়া লেপ্তুনা চথরক্লি। ওজাগা মহৈরোয়গা খেন্নবা লৈরক্ত্রে, তৌরিসি করিনো খন্দোকফম খঙদ্রে। মতিক চাবা ওজা অমগী মগুণ করি ওইগনি হায়বদু ওজা য়েংদুনা নৈনরম্বা ঙসিদি ওজা অদুনা লাইরিক্তে পাদুনা হীরম অদুদা নৈনদ্রবদি খঙলরোই হায়বগী মীপাইবা পোক্লে। মসিনি ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাই;, মসিনি ঐখোয়গী তুংগী য়ূম্বীরেলগী মরাইবক!

ভগবদ গিতানা 'পর্পোজ ওফ লাইফ' নৈনরি, কুরানদা 'ইথিকেল লাইফ' তাক্লি, বাইবলদা 'সেল্ফ রিএলাইজেসন' ফংনবা লম্বী তাক্লি। পূন্নমকসিদা মান্নবা ৱাখল্লোন অমদি লৈরি; মখোয়দা মীওইবা হায়বা কাঙলূপ অসিগী পুন্সি মহিংদা য়াম্নমক মরু ওইনা লৌরি হায়বসিনি। ফজরবা ৱাখল্লোন ময়ামসি ঙসিগী মীরোলনা ৱারীদা তাবা, লাইরিক্তা তম্বা খক ওইনা উরি। অশেংবা হায়বদুগা, থেংনরিবা-উরিবা ময়ামসিগা পূন্নমক তাইওন্নবনীনা নৈনবদা অৱাবা অমসু ওইরে। সর্টিফিকেট ওরিয়েন্টেদ কোর্স, দিগ্রী সর্টিফিকেট কোর্স,পেপর ৱর্কনা মপূং ওইনা লৌনরকপনা লাইরিক তম্বগী ওইনদি লাইরিক য়াম্না হৈনরে অদুমকপু লাইশুগী ৱাফমদি লাইরিক্তা মার্ক ফংননবা কন্না তম্লি, চিনফা ফজনা পুবসু য়াওরে। মসিগী অহোংবা উবদা মমা-মপা কয়াদি থৌগল্লোন বেব্যহার খঙবা হৌরে হায়দুনা নুংঙাইজরি। লাইরিক চিনফা পুবা, নৈনদুনা খঙবসিনা পেন্নীংঙাই ওইরব্রা? খঙলিবা, তল্লিবা ময়ামদু শীজিন্নদ্রগদি কান্নবসিনা করিনো? ইমুং মনুংদা লৈমিন্নরিবা মচিন-মনাও, মমা-মপা, মপু-মবেলশিংগা ফমিন্নদুনা লৈমিন্নবফাও য়ারক্ত্রি। অমনা ঙাঙবা অমনা তানদ্রে, মশানা মশাবু ৱেল এদ্যুকেটেদনি হায়জরবনিনা করিগীসু অতোপ্পনা ঙাঙবা তাগনি, মশামক খঙলবনিনা। মসিনি হৌজিক্কী মীরোলদা খ্বাইদগী অশোয়বা। ইমুংদগী তিন্নবা য়াদবা মীওইদুনা লাই অরৈবখৈ নীংদুনসু, মীয়ামগী থৌগল কয়া তৌদুনসু, মপুগী মীখৈ নুমিৎ চূপ্পা শোল্লবসু ঈং-তপ্পা, অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন শাগৎপা কৈদৌনুংদা ঙমলোই মরমদি মরু ওইবা খ্বাইদগী ঈ মরী চেৎনা নুংশিবগী মরী থমগদবা মশাগী ইমুং-মনুংদা মহাক্তা তিন্নবা য়াদ্রি, য়ানবা লোয়নবা হৈত্রি। অসিগুম্বা মীওই অসিনা য়াম্লক্লবদি অশেংবা খঙ হৈরবা কয়াদুগা করম্না পুনশিনগনি, কমদৌনা লোয়ন-তিন্নদুনা অনৌবা চাওখৎপা ৱাখল্লোন পোক্লক্কনি? থাজদে লাইগী শোয়দনবা চিন্বাল খোইহি তৈদুনা ঙাঙবা তাবনি, অফবা শাবা তাবনি। অহলশিংনা হায়নবা 'অশেংবদগীদি অশাবনা হেন্না মাল্লি' হায়বদু নীংশিংলকই। অশাবনা তৌথোরকপা উখোরকপনা ইফদা ফজৈ, মীয়াম্না পাম্নবসু হেল্লি; মসিনি ঙসিগী চৎনবী। মখোয়দুবু মীয়াম্না লৌনৈ থৌগল্লোন খঙবা, অখঙ অহৈনি হায়দুনা। পূন্নমকসি তানবা হোৎনবদা অনৌবা থম্মোয়দগী ফাওরকপা থৌগল্লোন নত্তবা তোঙানবা মালহনবী লিচৎ অমখক ঙাইহাক্কী ৱাখল নুংঙাইনবা চথরি। মসিনি হৌরক্লিবা মীরোলশিংনা উরিবা লাইরিক্কী থৌগল্লোন, চৎন-লোনচৎ, শাজৎ-লিচৎ খুন্নাই অসিগী...! ●